# অন্দর ১৫ গী রেষ্ট ওফ ইন্দিয়া নোর্থ ইষ্ট জোন ইম্ফালদা হৌখ্রে

## গেংতোক হিমালায়ন অমদি আইজোল এফ সি মায়পাকখ্রে

**এস এন এস**

**ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ ঃ** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না মতেং পাংদুনা অন্দর ১৫ আই লিগ রেষ্ট ওফ ইন্দিয়া নোর্থ ইষ্ট জোন ২০১৫-১৬ ঙসিদগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টেদিয়মদা টিম মরিনা শরুক য়াদুনা হৌখ্রে।

অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা মেটচশিংদা গেংতোক হিমালায়ন অমদি আইজোল এফ সি মায় পাকখ্রে।



নেরোকা এফ সি অমদি আইজোল এফ সি না শান্নখিবা মতাং অমা

অহানবা মেটচতা গেংতোক হিমালায়ন অমদি এন আর এল এস পি টি না শান্নখিবা মেটচতা গেংতোক হিমালায়ন্না গোল ৩-০ দা মায়থিবা পীখি। গেংতোক হিমালায়নগী গোলশিং অদু পোংসেরিং সরপানা ২৩ অমদি ৫৪ শুবা মিনটতা ২ অমদি সুরজ লিম্বুনা ৪৮ শুবা মিনটতা অমা চনখিবনি।

মেটচ অদুদা গেংতোক হিমালায়নগী শান্নরোই অহুম অমদি এন আর এল এস পি টি গী শান্নরোই অমদা রেফরিনা য়েল্লো কার্ড অমমম পিখি। অনিশুবা শান্নখিবা মেটচতা মণিপুরগী নেরোকা এফ সি আইজোল এফ সি মখুৎতা গোল ২-০ দা মায়থিখ্রে। আইজোল এফ সি গী মায় পাকপগী গোল অনি অদু পিটর লালদোহমা অমদি এফ লালরোৎলুৱানা মথংশিংৎনা ৫৫ অমদি ৮৫ শুবা (পেনালটি) মিনটতা অমমম চনখিবনি।

নেরোকাগী এম দি অতাহর অলি, এস সোমোকন্তা অমদি এল রোকি সিংহদা রেফরিনা মথংশিংৎনা ২২,৩২ অমদি ৮৪ শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্ড অমমম পীখি। আইজোল এফ সি গী লালবানহিমা অমদি এফ লালরোহালরুহাদা ৬১ অমদি ৮৩ শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্ড অমমম পীখি।

# অহানবা মণিপুর ষ্টেটহুদ ৱুমেনস পোলো টুর্নামেন্ট

## সিরুই টিম অমদি য়ু এস পি এ টিম মায় পাকখ্রে

**এস এন এস**

**ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ ঃ** ওল মণিপুর পোলো এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা ঙরাংদগী ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা টিম মরিনা শরুক য়াদুনা চৎখরিবা অহানবা মণিপুর ষ্টেটহুদ দে ৱুমেন পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা সিরুই টিম অমদি য়ু এস পি এ টিম মায় পাকখ্রে।

ঙসিগী অহানবা শান্নখিবা মেটচতা সিরুই টিম্না কংলা টিম্বু পাঞ্জল ৯-১ দা মায়থিবা পীখি। সিরুই টিমগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা চক্করদা পাঞ্জল অনি, অনিশুবা অমদি অহুমশুবা চক্করদা পাঞ্জল ৩।৩ অমদি মরিশুবা চক্করদা পাঞ্জল অমা চনখিবনি। কংলা টিমগী পাঞ্জল অদুনা অহানবা চক্করদা চনখিবনি।

সিরুইগী পাঞ্জলশিং অদু হাবেনা মরি, এ রোমাবটি অমদি জুলিয়ানা ২।২ চনখিবনি।



য়ু এস পি এ অমদি সঙাই টিমনা শান্নখিবা মেটচকী মতাং অমা

অনিশুবা শান্নখিবা মেটচতা য়ু এস পি এ টিমনা সঙাই টিম্বু পাঞ্জল ৭-৫ দা মায়থিবা পীখি। য়ু এস পি এ গী পাঞ্জলশিং অদু অহানব, অনিশুবা অমদি অহুমশুবা চক্করদা পাঞ্জল ২।২ অমদি মরিশুবা চক্করদা পাঞ্জল অমা চনখিবনি। সঙাই টিমগী পাঞ্জল অদুনা অনিশুবা চক্করদা পাঞ্জল মরি অমদি মরিশুবা চক্করদা অমা চনখিবনি। য়ু এস পি এ পাঞ্জলশিং অদু এস সুনিতানা মঙা অমদি টিআমোনা অনি চনখিবনি। সঙাইগী পাঞ্জলশিং অদুনা কারলি অমদি লিল্লু আর কে না ২।২ অমদি তম্নানা অমা চনখিবনি।

হয়েংগী অহানবা মেটচতা য়ু এস পি এ গা কংলা টিমগা অনিশুবা মেটচতা সঙাই টিমগা সিরুই টিমগা নুংথিলগী পুং ২ অমদি ৩ দা শান্নরগনি।

ফাইনেল মেটচনা তাং ২১ টিমশিংগী মরক্তা শান্নখিবা অদুগী খ্বাইদগী বেষ্ট টিম তাখিবা অনিনা শান্নরগনি।

# বিরচন্দ্রা সিংহ একাদেমি ফুটবোল টুর্নামেন্ট

**এস এন এস**

**ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ ঃ** টি ঐচ বিরচন্দ্রা সিংহ ফুটবোল একাদমি তাউবুংখোক্না শিন্দুনা একাদমি অসিগী ফুটবোল গ্রাউন্দদা চৎখরিবা অনিশুবা অন্দর ১০ অমদি ৭ শুবা অন্দর ১৩ টি ঐচ বিরচন্দ্রা সিংহ ফুটবোল একাদমি টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী ঙসি শান্নখিবা অন্দর ১৩ গী মেটচশিংদা নোংপোক এফ এ নোংপোক সঞ্জেনবম, আর য়ু এফ আই বি এ লোইতাংখুলেন অমদি টি বি এস এফ এ তাউবুংখোক মায় পাকখ্রে।

অয়ুক্তা শান্নখিবা গ্রু সি গী অহানবা মেটচতা নোংপোক এফ এ না আর এফ সি খন্নাম লৈরকপু গোল ৭-১ দা মায়থিবা পীখি। নোংপোক এফ এ গী গোলশিং অদু হিটলরনা অহুম চনখি, লকি, অবিনাস, এ জেমস অমদি জিটেন্দ্রানা অমমম চনখিবনি। আর এফ সি গী গোল অদু দাইমন্ড না চনখিবনি।

অনিশুবা শান্নখিবা গ্রুপ সি গী মেটচতা আর য়ু এফ ৱাই বি এ না ঐচ য়ু এফ এ হৈঙাংবু গোল ৪-২ দা মায়থিবা পীখি। আর য়ু এফ আই বি এ গী গোলশিং অদু আওপানা অহুম অমদি টি ঐচ অর্জুন অমা চনখিবনি। ঐচ য়ু এফ এ গী গোল অনি অদু এন রহুলনা চনখিবনি।

নুংথিলদা শান্নখিবা অহানবা গ্রুপ এ গী মেটচতা এম এস সি মালোম অমদি এম য়ু সি মাইবাখুল গোল ২-২ দা দ্রো ওইখ্রে। এম এস সি গী গোল অনি অদুনা এন রঞ্জন অমদি এলেক্স কোন্থোজমনা অমমম চনখিবনি। এম য়ু সি গী গোল অনি অদুনা ঐচ সিতলজিৎ অমদি সি ঐচ রতনবিনা অমমম চনখিবনি।

অনিশুবা শান্নখিবা গ্রুপ দি গী মেটচতা টি বি এস এফ এ না কে ৱাই এফ এ কোইরেংগৈবু গোল ৪-০ দা মায়থিবা পীখি। টি বি এস এফ এ গী গোলশিং অদু এল সিলজোন্না অনি, এস পুন্সিবা অমদি এম দি ইজৎনা অমমম চনখিবনি।

# ইন্টর কলেজ ফুটবোল হৌখ্রে

**এস এন এস**

**ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ ঃ** দিপার্টমেন্ট ওফ স্পোর্টস এম য়ু না শিন্দুনা এম য়ু গী স্পোর্টস কম্পেক্সতা এ বোরচান্দ সিংহ মেমোরিয়েল মণিপুর য়ুনিভসিটি ইন্টর কলেজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৫-১৬ ঙসি টিম ৬ না গ্রুপ অনিদা শরুক য়াদুনা হৌখ্রে।

অহৌবা নুমিৎতা শান্নখিবা গ্রুপ এগী লিগ মেটচতা বিরমঙ্গল কলেজনা মণিপুর য়ুনিভসিটিবু গোল ৩-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

গ্রুপ বি গী শান্নখিবা লিগ মেটচতনা ৱাইখোম মণি গার্লস কলেজনা ষ্টেটৈর্দদ কলেজবু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

বিরমঙ্গল কলেজ অমদি মণিপুর য়ুনিভসিটিনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী বিরমঙ্গল কলেজগী গোলশিং অদু এন বোরক্যৈনানা অনি অমদি সহিদ বুকসিরনা অমা চনখিবনি। মণিপুর য়ুনিভসিটিগী গোল অদুনা বিনোমালানা চনখিবনি।

ৱাইখোম মণি গার্লস কলেজ অমদি ষ্টেটৈর্দদ কলেজনা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ৱাইখোম মণি গার্লস কলেজগী গোল অদুনা পি সুরবালা অমদি এল রধারাণিনা অমমম চনখিবনি। হয়েংগী অহানবা মেটচতা সি সি গোরবিচন্দ্রা গার্লস কলেজ অমদি বিরমঙ্গল কলেজগা নুংথিল পুং ১ দা শান্নরগনি।

# লৈতেং থাংহাই চাংদম্নবা

**এস এন এস**

**ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ ঃ** পা-অখংবা কলচরেল ক্লব পি সি সি অমদি পাহুলাসি ময়াই কোইবিনা শিন্দুনা ঙরাংদগী পি সি সি গী গোল্ডন জুবিলি সেলেব্রেসনগা মরি লৈননা ঙরাংদগী চৎখরকখিবা অহানবা ষ্টেট লেভেল লৈতেং থাংহাই চাংদম্নবা ঙসি লোইশিনখ্রে। চহি ১৪ অমদি ১৮ মখা নুপামচা অমদি নুপীমচাগী চাংদম্নবা অদুদা চহি ১৪ মখাগী নুপীমচা অমদি নুপামচাগী ফর্ষ্টনা পাহুলাসিগী টি ঐচ প্রিয়াংকা চনু অমদি কংলৈ শক্তম লাংবা কাংলুপ কে এস এল কে গী হাওবম মরককী কে লনচেন্বা মীতৈ না তাখি। চহি ১৮ মখা নুপামচাগী ফার্ষ্টনা কে এস এল কে গী খুরাইজম জেৱেল সিংহ না তাখি।

# সবুংখোক কপ

**এস এন এস**

**ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ ঃ** সবুংখোক কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙান্না গ্রুপগী লিগ মেটচশিংদা ইতম নুংঙ্গোইনা ৱাই টি তেলৌবু গোল ১-০ দা, ৱাই দি সি এল পুংদোংবম্না পি ৱাই সি পুংদোংবম্বু গোল ৩-১ দা অমদি ই য়ু সি কামেংনা ৭৮৬ কাইরংবু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

# মোদেল ক্লব এ মায় পাকখ্রে

**এস এন এস**

**ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ ঃ** মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট এসোসিয়েসনন্না শিন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দদা চৎখরিবা মরিশুবা টি - ২০ ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৫-১৬ গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এ গী মেটচতা মোদেল ক্লব এ না নম্সাবু রন ৩১ দা মায়থিবা পীখ্রে। মেন ওফ দি মেটচনা মোদেল ক্লবকী মুজিবুরনা বোল ৫২ দা রন ৫৩ লৌরগা তাখি। মেটচ অদু মোদেল ক্লব এ না তোচ ঙম্লগা হান্না বেটিং খনখিবগা লোয়ননা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৮ আউত ওইরগা রন ১২২ লৌখি। ইনিংস অদুদা মুজিবুরনা বোল ৫২ রন ৫৩, সুরজনা বোল ২২ দা রন ৩১ অমদি এস সুনিলনা বোল ২১ দা রন ১৫ লৌখি। নম্সাগী বোল্লর সোমেন্দ্রোনা ৱিকেট ৩, ভোগেন অমদি সান্তনা ৱিকেট ২।২ লৌখি। নম্সানা অনিশুবা ইনিংসকী বেটিং তৌখিবদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৭ আউত ওইরগা রন ৯১ লৌখিবনি। ইনিংস অদুদা বিপিন্না বোল ৪১ দা রন ২১, ভোগেন্না বোল ১৮ দা রন ২০, গৌতম্না বোল ২৩ দা রন ২০ অমদি সান্তনা বোল ১৩ দা রন ৮ লৌখি। মোদেল ক্লবকী বোল্লর চাওবনা ৱিকেট অহুম, হোমেশ্বরনা ৱিকেট অনি, সুরেজ অমদি সমুনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

# এফ সি লম্লাই ফাইনেল চঙখ্রে


**এস এন এস**

**ইম্ফাল, জনুৱারি ১৮ ঃ** এফ সি লম্লাই অমদি ৱাই দি সি এল পুংদোংবম্না অহানবা ঙানখম বিলাতোম্বী অমদি ইবেহল মেমোরিয়েল লম্লাই অমদি খুন্দ্রাকপাম কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ গী ফাইনেলদা থা অসিগী ২৪ দা শান্নরগনি। ঙসি শান্নখিবা অনিশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এফ সি লম্লাইনা এফ সি সেক্তাবু গোল ৬-৪ দা মায়থিবা পীরগা ফাইনেল চঙখিবনি।


















Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** Jt. Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*